# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর তম্পাক্কী পুলিস স্তেসন ৬ না কোনবা মফমদা কেন্দ্রনা নৌনা দিস্তর্ব এরিয়ানি হায়না লাউথোরকখিবা অদু হন্দোকপীনবা রাজ্য সরকারনা কেন্দ্রদা হায়জখ্রে।

২) জিরিবামদগী মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রগা হাৎখিবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম কয়াদা ঙরাং মীয়াম হৌরক্তুনা মখল কয়াগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

অমসুং

৩) নাইজেরিয়া, ব্রাজিল অমসুং গুয়ানা লৈবাক অহুমগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নাইজেরিয়াগী অবুজাদা থুংখ্রে।

------

অফস্পা(এল) ঃ মণিপুর তম্পাক্কী পুলিস স্তেসন ৬ না কোনবা মফমদা কেন্দ্রনা নৌনা দিস্তর্ব এরিয়ানি হায়না লাউথোরকখিবা অদু হন্দোকপীনবা রাজ্য সরকারনা কেন্দ্রদা হায়জখ্রে। রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা পুলিস স্তেসন ৬ না কোনবা মফমদা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিএল পৱর্স এক্টকী মখাদা দিস্তর্ব এরিয়ানি হায়না কেন্দ্রনা থা অসিগী ১৪ দা লাউথোরকখিবা অদুগী মতাংদা কুপা খন্নরবা তুংদা কেন্দ্রগী ৱারেপ অদু হন্দোকহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। মসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী হোম এফিয়রস মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরিদা রাজ্যগী জোইন্ট সেক্রেটরি(হোম)না চেরোল অমা থাখ্রে।

ঈরাং (এল) ঃ জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রগা হাৎখিবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম কয়াদা ঙরাং মীয়াম হৌরক্তুনা লম্বী থিংবা য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং চংশিনখ্রে। এম.এল.এ অমসুং মন্ত্রিশিংগী য়ুমদা মীয়ামা থোমজিন্দুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। ঙরাং অয়ুক্তগী হৌদুনা ইম্ফাল সহরগী মফম কয়াদা মীয়ামা লম্বী থৎপা, লম্বীদা মৈ থাবা, হ্যুমেন চেন শেম্বনচিংবা খোঙজং কয়া চংশিনখি।

ইরাং হৌরকপা মীয়াম্বু তানখাইনবা পুলিসনা তিয়র গ্যাসনচিংবা কাপখি।

ককচিং জিলাগী কেন্দ্র অহুমগী এম.এল.এশিংগী য়ুম অমদি চকা মরি পানবা গারিশিং মীয়ামা মৈ থাখ্রে হায়রি। ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম বাবেস্বরনা হায়-খোইশাওনরবা মীয়ামা এম.এল.এশিং -উশম দেবেন অমসুং য়ুমাম রাধেস্যামগী য়ুম মৈ থাখ্রে।

ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ুমসু খোয়শাওনরবা মীয়ামা মৈ থাখ্রে হায়রি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা কো-ওর্দিনেতিং কম্মিতি ওন মণিপুর ইর্ন্টিগ্রিতি (কোকোমি)না শিন্দুনা মতম কক্তবা সিট ইন প্রোতেষ্টকী খোঙজংসু ঙরাংদগা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন কৈথেলদা হৌখ্রে।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা তম্পাক্কী জিলাশিং-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী মফম পুমমক্তা ঙরাংদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম থোকখ্রে। অদুম ওইনমক অথিংবা অসিনা তঙাইফদবা থবকশিং-হকশেল, ইলেক্ত্রিসিতি-সি.এ.এফ.এন্দ.পি.দি-পি.ঐচ.ই.দি-পেত্রোল পম্পশিং, ম্যুনিসিপালিতি, প্রেস অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়া, কোর্টকী থবক থৌরমশিং, এরোপ্লেনগী পেসেঞ্জরশিং চৎথোক চৎশিন তৌবশিংদি কোনশিল্লোই।

অমরোমদা, মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোরকপা য়াবা অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী তম্পাক্কী জিলাশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমদি চিংগী জিলাশিং-কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুরগী মফম পুমমক্তা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ নিনিগী ওইনা ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখ্রে।

রাজ্য সরকারগী চেরোল অমদা হায়-অথিংবা থন্নিবশিংগী মনুংদা মোবাইল দাটা সার্ভিস, ভি-সেট, ব্রোদবেন্দ অমদি ভি.পি.এন. সার্ভিসশিং য়াওরি।

সেক্যুরিতি(এল) ঃ মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎনবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা খঙহনখ্রে। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈনবা মরুওইবা কেসশিং নীংথিনা থিজিন্নবগীদমক নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) দা শিন্নখ্রে।

মনিপুরদা মহৌশাগুম শান্তি হনজিল্লকবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা মীয়ামনা তোকঙা থাজবীদনবা অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা মতেং পাংবীনবা গৃহ মন্ত্রালয়না আপিল তৌরি।

এআর(এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদা লৌবুক্তা লৌ লোক্তুনা লৈরিবা মীওইশিং তমা খূৎলাই পায়বশিংনা ঙরাং নোংমৈ কাপশিল্লকপদা অসাম রাইফলনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্তুনা লৌমীশিংবু ঙাকশেনখ্রে। অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-জিলা অদুগী ইরেংবমদা ঙরাং নুমিৎ য়ূংবা মতুংদা লৌমীশিংনা লৌবুক্তা লৌ লোক্তুনা লৈরিঙৈদা আইগেজাংদগী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা অসাম রাইফলসকী কাংবুনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি।

টুর (এল)ঃ লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা

মফমশিং অদুগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতি, হেরিতেজনচিংবা কয়া য়েংলূবা মহৈরোইশিংগী নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুর হল্লকখ্রে। নুমিৎ ১০ নিগী টুর অদুদা য়াওরুবা মহৈরোইশিংবু ঙরাং রেদসিল্ড দিভিজনগী জেনরেল কম্মান্দিং ওফিসরনা তরামা ওকখি।

ৱার্কশোপ (এল)ঃ ইন্নোভেতিভ তিচিং মেথটস হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কশোপ অমা ঙরাং থৌবাল জিলাগী ৱাংবলদা লৈবা রোয়েল স্কুল ওফ নর্সিংদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর নর্সিং কাউন্সিলগা খূৎশমদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা কাউন্সিল অসিগী রেজিষ্ট্রার ডা.এ জন্মুনা, রোয়েল স্কুল ওফ নর্সিং ৱাংবলগী চ্যেরমেন ডা.এম রাজেন্দ্র সিংহ অমদি তি.এন.এ.আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট তাংবী শরুক য়াখি।

পিএমঃ নাইজেরিয়া, ব্রাজিল অমসুং গুয়ানা লৈবাক অহুমগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নাইজেরিয়াগী অবুজাদা থুংখ্রে। খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-নোংচুপ থংবা আফ্রিকান রিজনদা ভারতকী খ্বাইদগী নকবা মরী লৈনরিবা নাইজেরিয়াদা চৎপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎপদা অচৌবা খুদোংচাবা পীরগনি। শ্রী মোদিনা নাইজেরিয়াদা লৈবা ভারত মচাশিং অমসুং নাইজেরিয়াগী প্রজাশিংবু উন্নীংবগী অপাম্বসু ফোংদোক্লি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা ১৯ শুবা জি-টোইন্তি সম্মিটতা শরুক য়াগনি লোয়ননা 'ৱান আর্থ, ৱান ফেমিলি, ৱান-ফ্যুচর' হায়বসিগী মীৎয়েং মখাদা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি হায়রি।

থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা প্রধান মন্ত্রি গয়ানাদা চৎকনি। ১৯৬৮ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা শ্রী মোদিনা অহানবা

ওইরগনি।

মীখল ঃ ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক অমসুং মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগীদমক ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। এন.দি.এ অমসুং ইন্দিয়া ব্লোক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক্তা অকনবা মওংদা ভোট খোমরি। মীখল থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি খূৎলাই পায়বশিংনা ফাখিবা মীওইশিংগী অশিবা হকচাং ফংখিবা, মসিদগী মীয়ামা অকনবা ইরাং হৌরক্তুনা এম.এল.এ মিনিষ্টরশিংগী যুমদা থোমজিনখিবা যূম গারিনচিংবা অমাং অতা থোকহনখিবা, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর য়াওনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা ইন্টরনেট থিংজিনখিবা অমসুং জিলা কয়াদা মতম কক্তবা কর্ফিয়ু থমজিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা ফারগা পুখিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ কী অশিবা হকচাং ফংলে, তমথিনা ওৎ নৈরবা মতুংদা খুদম ফংলে, রেপ তৌখিবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে, অসাম পুলিসপু নুংনা থোমদুনা তানখায়রগা কুকি ১০ গী অশিবা হকচাং পুখ্রে হায়বা বেনর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মফমদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর নিউজতা কুকিশিংনা ফাখিবা ৬ শিনা ফংলে, খ্বাইরম্বন কৈথেল য়াওনা মফম কয়াদা প্রোতেষ্ট চথখ্রে। খোইশাওনরবা মীয়ামা এম.এল.এ মিনিষ্টরগী যূমদা থোমজিনখ্রে, ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখ্রে, ৮ শোক্লে হায়বা বেনর হেদলাইন অসিগা লোইননা দিষ্ট্রিক্ট ৭ তা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে, নুমিৎ নিনি ইন্টরনেট দেতাশিং থিংজিনখ্রে অমসুং এম.এল মরিগী যুমগী তুমফম কা তান্না

চংলক্লগা গোদ্রেজ থুগাইদুনা সনা লূপা অমসুং ফিরোল পুখ্রে হায়না সব-হেদলাইনশিং পীরি।

কোকোমিনা ইন্দিফিনিট সিট ইন প্রোতেষ্ট হৌখ্রে, একাদেমিক অমসুং হেলথ সেক্তর নত্তনা গভর্ণমেন্ট ওফিষ্ট খুদিংমক অথিংবা থমখ্রে হায়না পোক ফমগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এম.এল.এ জয়কিসন ঙসি রিজাইন তৌরগনি, অতৈ এম.এল.এ কয়াসু তৌরবা য়াই হায়না পীপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পি.এম দা অইবা চেরোল পীশিনখিবা মিণিষ্টর এম.এল.এশিং রিজাইন তৌনবা খন্নখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী এঙ্কর কলমদসু ফোঙলি।

লানগী পাউ ইরেংবম মনিং অমসুং জিরিবামগী মোংবুংদা খূৎ থোকখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকনবা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা এম.ঐচ.এনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

জিরিবামদা শিখিবা কুকি টেরোরিষ্ট ১০ চুরাচান্দপুরদগী ঙাক্তা ওইরম্লে হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

------